**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 01-11-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মনিপুরদা ঙসি মৈগী কুম্মৈ-দিৱালি পাঙথোক্লি।

২) মণিপুরগী রাজ্যপাল লক্ষ্মন প্রসাদ অচারিয়ানা ঙসি সেনাপতিদা নুমিৎ নিনি চত্থগদবা কলচরেল একজিবিসন হৌদোকখ্রে।

৩) নিংঙোল চাক্কৌবগা মরী লৈননা হয়েং অয়ুক পুং ১১ দা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা হপ্তা কাংজেবুংদা ঙাগী মেলা পাঙথোক্কনি।

৪) আই.পি.আর মন্ত্রি ডাঃ শাপম রঞ্জননা হায়রি- মীয়ামদা ঈ-পাউ নিংথিনা খঙহন্নবা হোৎনবদা রাজ্যগী ইনফোর্মেসন অমসুং পাব্লিক রিলেসন্স দিরেক্তোরেট অমদি অতৈ মিদিয়াশিং অনিগী মরক্তা তেংবাং পীনবা তঙাইফদে।

অমসুং

৫) কেন্দ্রগী য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি ডাঃ মন্সুখ মান্দভিয়ানা হৌগৎলক্লিবা নহাশিংদা নেসনেল য়ুথ এৱার্দকীদমক দরখাষ্ট থারকবা হায়রি।

------

দিৱালি (এল)ঃ মনিপুরদা ঙসি মৈগী কুম্মৈ-দিৱালি পাঙথোক্লি। য়ুম য়ুমদা অমদি দুকান্নচিংবা অতৈ মফমশিংদা নিংথিনা লৈতেংদুনা মৈ থান্নরি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা রাজ্যপাল-লক্ষ্মন প্রসাদ অচায্যা অমদি মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্ব বিরেন য়াওনা লুচিংবা কয়ানা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি।

কুন্মে অসিগা মরী লৈননা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টদা বোম্বুলা অমদি মৈকাপ্লীনচিংবা য়োনবা অমদি শিজিন্নবা থিংলে হায়না জিলাশিং অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা হুকুম থোকখ্রবনি।

অমরোমদা, নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা নিংঙোল চাক্কৌবা কুন্মেগীদমক মীয়ামনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল য়াওনা কৈথেল কয়াদা পোৎ-চৈ লৈবা লাকরি।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায় - নিংঙোল চাক্কৌবগীদমক মীয়ামনা কৈথেলদা পোৎ-চৈ লৈবা লাকপা অমদি য়োনবা লাকপগী চাং কা হেন্না ৱাংখৎলক্লি। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল অমদি মসিগী অকোইবদা লৈরিবা মফমশিংদা মী চিনবগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরি।

কুন্মেশিং অসিগী মরি লৈননা পোৎ চৈ লৈবা লাক্লিবা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা হেন্না খুদোংচাদনবগীদমক মনিপুর ট্রাফিক কন্ট্রোল ৱিংনা ঙরাংদগী মফম খরদা মরুওইনা ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী অকোইবদা লম্বী চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা থল্লি।

রাজ্যপাল (এল)ঃ মণিপুরগী রাজ্যপাল লক্ষমন প্রসাদ অচারিয়ানা হায়রি- মণিপুর অসি তোঙান তোঙানবা কাংলুপশিংনা খুন্দাবা তোপ তোপ্পা সংস্কৃতিগী চৎনবী লৈজবা মালেমগী অতৈ মফমদা ফংলরোইদবা মফম অমনি।

সেনাপতিগী এষ্ট্রো টর্ফ গ্রাউন্দদা কলচর অমসুং আইদেন্তিটিনা শান্তি পুরকপা হায়বা ৱাখল্লোনদা নুমিৎ নিনি চথুগদবা একজিবিসন এন্দ ট্রেদিসনেল বফেগী থৌরম হৌদোক্লদুনা রাজ্যপালনা হায়- পাঙথোক্লিবা থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন- পিছ থ্রু কলচর হায়বসিমক মণিপুরগা য়ামা চুনরবা অমা ওইরি। মহাকা হায়- তোঙান তোঙানবা লম্বীদা চৎচরবসু পুমমক্কী ওইবা খুন্নাইগী চাওখৎপা অমসুং শান্তিগী ওইবা হায়বা পন্থুংফম অদুদি চপ মান্নে।

থৌরম অদুদা রাজ্যপালনা স্পেসিয়েলল্লি এবল চিলড্রেন অমদি নুপীশিংনা পাঙথোকপা থৌরমশিংসু য়েংখি।

মণিপুর নোর্থ ইকোনোমিক দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন্না শিনখিবা থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা রাজ্যপালনা উ চারাশিংসু থাখি।

রাজ্যপালনা সেনাপতি জিলাগী দিপ্যুতি কমিসনারগী ওফিসতা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংগী মীহুৎশিংগসু ৱারী শান্নখি।

শ্রী লক্স্মন প্রসাদ অচারিয়ানা জিলা অদুদা সি.পি.আর.এফকী জৱানশিংগা লোয়ননা দিৱালি কুম্মৈ পাঙথোকমিন্নখি অমদি জৱানশিং অদুগা চালেন চামিন্নখি।

চাক্লৌবা (এল)ঃ লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা নিংঙোল চাক্লৌবগা মরী লৈননা হয়েং অয়ুক পুং ১১ দা চহিগী ওইবা ঙাগী মেলা অমসুং ঙাগী পোত্থোক চাংদমবগী থৌরম ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা হপ্তা কাংজেবুংদা পাঙথোক্কনি। হৌদোকপগী থৌরমদা রাজ্য সভাগী এম.পি. মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাউবা অমসুং ফিসরিজ মন্ত্রি হৈখাম দিঙ্গো সিংহ শরুক য়াগনি।

রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ফিসরিজনা শিনদুনা পাঙথোক্কদবা ঙাগী মেলা অসিদা ঙাতোন, পেংবা-খাবক, শরেং, পোরোম, তুংহনবী য়াওনা অতৈ ঙা মখল কয়ামরুম পুথোক্কনি। ঙা মখলশিং অসিগী অককবা মমলসু সরকারনা লেপলে।

মেলা অসিদা খ্বাইদগী ঙা য়ামা পুথোকপা মীওইদা অহানবা মনা ওইনা লুপা লাখ অমা, অনিশুবদা লুপা লিশিং ৭০ অমসুং অহুমশুবদা লুপা লিশিং ৫০ পীগনি। লোয়ননা লমদম অসিগী ওইবা ঙা খ্বাইদগী য়ামা পুথোকপা মীওইদসু মনা পীগনি হায়রি।

হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা ঙাগী মেলা অসিদা মীয়ামনা শরুক য়াবীনবা রাজ্যগী ফিসরিজ মন্ত্রি-হৈখাম দিংগোনা আপিল তৌরি। মহাকা হায়-হয়েংগী ঙাগী মেলা অসিদা মখল কয়াগী ঙাশিং পুথোকপদা নত্তনা হৈ-রা অমদি মনা মশিংগী পোৎথোক কয়াসু পুথোক্কনি। মসিগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিংনা শাবা পোৎলমশিংসু মেলা অসিদা ফংহনগনি।

নাকল অমরোমদা, নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈনা লাকপদা লমদম অসিগী য়েলহৌ ফুরুপ চীং-তম অনিগী মরক্তা নুংশি চান্নবা অমদি মচিন মনাউ ওইবগী শক্তমসু উবা ফংলক্লি। মসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসি চীংমী অমসুং তম্মী ফুরুপ অনিগী মরক্তা নুংশিননা হেন্না অচেৎপা মরী থমদুনা হিংমিন্ননবা পান্দমদা ইন্দিজিনস পিপলস ফোরম মণিপুরনা শিন্দুনা কামজোং জিলাগী চদোং নিউ সাইটকী তুরিষ্ট দেষ্টিনেসন ইন্দিজিনস রিজোর্টতা নিংঙোলশিংবু চাক্কৌখ্রে।

থৌরম অদুদা য়াওখিবা এম.এল.এ- রাম মুইভানা হায়- নিংঙোল চাক্কৌবা হায়বসি রাজ্য অসিগী ওইবা তোপ তোপ্পা থোইদোক হেন্দোকপা কুম্মৈ অমনি। তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী মরক্তা চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোকপা অসিনা চীং তম অমদি অতৈ কাংলুপশিংগী মরক্তা নুংশি চান্নবগী মরী হেন্না চেৎশিনহল্লি। কুম্মৈ অসি কাংলুপ খুদিংমকা শরুক য়াবা কুম্মৈ অমা ওইহনশি হায়নসু মহাকা হায়খি।

ঙসিগী নিংঙোল চাক্কৌবা অদুদা তোঙান তোঙানবা য়েলহৌ ফুরুপকী নিংঙোলশিং শরুক য়াখি।

প্রোগ্রাম (এল)ঃ অকাশবানি ইম্ফালনা ত্রাফিক লাইভ অপদেটকী থৌরম হয়েংদগী অমুক হন্না পীবা হৌরগনি। মসি অয়ুক পুং ৮ মিনিত ৫০, পুং ৯ মিনিত ২৫, পুং ১০, নুমিৎয়ুংবা মতুং মিনিত ১০ চৎপা, নুংথিল পুং ২ মিনিত ৩২ অমসুং নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ মিনিত ১০ দা শন্দোক্কনি।

ডে (এল)ঃ ইনফোর্মেসন অমসুং পাব্লিক রিলেসন্স মন্ত্রি ডাঃ শাপম রঞ্জন সিংহনা হায়রি- মীয়ামদা ঈ-পাউ নিংথিনা খঙহন্নবা হোৎনবদা রাজ্যগী ইনফোর্মেসন অমসুং পাব্লিক রিলেসন্স দিরেক্তোরেট অমদি অতৈ মিদিয়াশিং অনিগী মরক্তা তেংবাং পীনবা তঙাইফদে।

ইম্ফালগী নিত্যাইপার্ক চুথেক্তা লৈবা দিরেক্তোরেট অসিগী ওদিতোরিয়মদা ঙসি পাঙথোকখিবা ৭৬ শুবা ইনফোর্মেসন এন্দ পাব্লিক রিলেসন্স নুমিৎকী পালন থৌরমদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়- আই.পি.আর বিভাগ

অসি অচোবা বিভাগ অমা নত্ত্রবসু মসিগী দাইত্ব অমদি থৌদাংদি য়ামা মরুওই। রাজ্য অসিগী মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক সরকারনা পায়খৎপা থৌরমশিংগা মরী লৈনবা ঈ-পাউশিং মীয়ামদা খঙহন্নবা খ্বাইদগী মরুওইবা বিভাগ অমসু মসিনা ওইরি। মিদিয়াগী মীওইশিংনা তশেং তশেংবা অচুম্বা পাড পীনবা অমদি অকোইবগী ফিভমগী মতাংদা মীয়াম্বু নিংথিনা ভাব তাহনবা, মরুওইনা গ্লোবেল ৱার্মিংগুম্বা ৱাফমশিংগা মরী লৈনবা ঈ-পাউশিং হেন্না ফোংনবসু মহাকা আপীল তৌখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা আই.পি.আরগী কম্মিসনার- এম. জোয় সিংহনা হায়- মতমগী মতুংইন্না দাইরেক্তোরেট অসিদা অহোংবা কয়া লৈরে অমসুং মসিমক মিদিয়াগী মীওইশিংগী মতেংদগী ঙম্বনি। দাইরেক্তোরেট অসিনা রাজ্য অসিগী জরনেলিষ্টশিংগী য়াইফনবা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী মতাংদসু মহাকা পনখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা বুকলেট অমসু ফোংখি।

ৱার্কসোপ (এল)ঃ সনামহি লাইনিংগী পোকপা শিবনচিংবা থৌরমশিংগী মতাংদা নুমিৎ ১৫ নিগী ওইবা ৱার্কসোপ অমা হয়েং ইম্ফালগী অহানবা মণিপুর রাইফলসকী কমপ্লেক্সতা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহি শঙলেনদা হৌদোক্কনি। লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দ অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিতি ওফ কলচর অনিনা শিনবা থৌরম অদুদা হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রি ডাঃ শাপম রঞ্জনসু শরুক য়াগনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়ানবগীদমক বঙ্গলাদেশ অমসুং অসামগী হোজাইদগী লাকপা মীওইশিংবু ঙসি তরামা ওকখ্রে।

বেম্বু (এল)ঃ অশং অমান্না থল্লবা অৱাং নোংপোক ভারত হায়বসিগী মাইকৈরোমদা চংশিনবা মরুওইবা খোঙথাং অমা ওইনা নোর্থ ইষ্ট কেন এন্দ বেম্বু দিভলপমেন্ট কাউন্সিলনা অপুনবা ইমাগী মচাশিং মণিপুরগা খুৎশমদুনা দোনর মন্ত্রালয়গী নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সিলগী মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ঙাইরেংবম মমাং চীংদা বেম্বু ক্রসিং য়ুনিত অমা ঙরাং হাংদোকবা থৌরাং হৌখ্রে। বেম্বু ক্রসিং

য়ুনিত অদু শানবগীদমক নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সিল সেক্রেটরিয়েটকী এদভাইজর (হোর্তিকলচর) ওইরিবা মংসাতাবম ইবোয়াইমা মৈতৈনা যাত্রা হুনখি।

বেম্মু পাউদরবু শা-ষনশিংগী ফুট সপ্লিমেন্ট ওইনা, মহৈ মরোংগী মহৌশাগী ওইবা হার অমদি ঙাগী মচিঞ্জাক ওইনা শিজিন্নবা য়ানবগী ইনোভেতিভ প্রোজেক্ট অসি লৈবাক অসিদা অহানবা ওইনা পায়খৎপনি।

কুট (এল)ঃ মহৈ মরোং লোকপগী কুম্হৈ চবাং কুট ঙসি কাংপোকপীদা লৈবা বৃগেদিয়ার থোমাস গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে। লাইশোল থৌরম পাঙথোকপা, বাইবল পাবা, গোস্পেল ঈশৈ শকপা অমদি সংস্কৃতিগী থৌরমশিংনা কুম্হৈ অদুগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

ফিলম (এল)ঃ থা অসিগী ২০ দগী ২৮ ফাওবা গোৱাদা পাঙথোক্কদবা ৫৫ শুবা ইন্তরনেসনেল ফিলম ফেষ্টিভেল ওফ ইন্দিয়া (ইফি)দা য়াওবা ঙমবা শেলগী তেংবাং ফংগদবা মীওই মরিগী মীং মণিপুর ষ্টেট ফিলম দিভলপমেন্ট সোসাইতি (এম.এস.এফ.দি.এস)না লাউথোক্লে। মখোয় মরিদা এম.এস.এফ.দি.এসনা লুপা লাখ ১ লিশিং ১০ গী গ্রান্দ ইন এইদ পীরগনি হায়না সোসাইতি অসিগী চেরোল অমনা হায়রি।

পেন্সন (এল)ঃ থৌনাওজম চাউবা মেমোরিয়েল চেরিতেবল ত্রষ্ট, শিংজমৈ থোঙাম লৈকায়না শিন্দুনা ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী ফুবলা কম্যুনিতি হোলদা লুখ্রবীশিং অমদি অহল ওইরবশিংদা পেন্সন য়েন্থোকখ্রে।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা থৌনাওজম চাউবা মেমোরিয়েল চেরিতেবল ত্রষ্টকী মেনেজিং ত্রষ্টি- থৌনাওজম রোমেননা হায়- মীওইবগী মতেং পাংবা হায়বসি অথোইবা ধর্ম্মানি হায়বা ৱাখল্লোনদা ত্রষ্ট অসিনা চেৎনা থাজবগা লোইননা মনিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা অহল ওইরবশিং, লুখ্রবীশিং অমদি হকচাংগী ফিভম মিমান্নদ্রবশিংদা অঙম্বা পেন্সনগী শেনফমশিং পীদুনা লাক্লি।

ফাউন্দেসন (এল)ঃ ক্রিতিক্স ফোরম মণিপুরগী ১৯ শুবা ফাউন্দেসন ডেগী থৌরম ঙসি ইম্ফালগী য়াইস্কুল পুলিসলেনদা লৈবা মণিপুর ড্রামাতিক য়ুনিয়নগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ফোরম অসিনা থা ৬-৬ খুদিংগী ফোংবা চেফোং অমসু পুথোকখি।

মন্সুখ ঃ কেন্দ্রগী য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি ডাঃ মন্সুখ মান্দভিয়ানা হৌগৎলক্লিবা নহাশিংদা লেমজনিঙাই ওইরবা নেসনেল য়ুথ এৱার্দস ২০২২-২৩ গীদমক দরখাষ্ট থারকবা হায়রি। মনা অসি চহি ১৫ দগী ২৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা লন্নাই মীওইশিং অমসুং ওর্গনাইজেসনশিংদা হকশেল, মীওইবগী হক অমদি কম্যুনিতি সার্ভিসকুম্বা চাওখৎ থৌরাং অমদি খুনাইগী য়াইফ থৌরাংনচিংবা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা থোইদোক হেন্দোকপা শিংথানিঙাই ওইবা থবক তৌবগীদমক পীগদবনি। মনা অসিদা মেদল অমা, সার্তিফিকেট অমা অমসুং লনাই মীওইদনা লুপা লাখ ১ অমদি ওর্গনাইজেসনগী ওইনা লুপা লাখ ৩ য়াওরি।

ভিদিও মেসেজ অমদা ডাঃ মান্দভিয়ানা মনা অসি ইচম চমা পীবা নত্তে, ভারতপু মপুংফানা চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইহন্নবা নহারোলশিংগী লুচিংবা অমা ওইবগী মগুন হেনগৎহন্নবগীদমকি। মনা অসিগীদমক হোম এফ্যারস মন্ত্রালয়গী কম্মন এৱার্দ পোর্তেলদা ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ১৫ ফাওবদা দরখাষ্ট ফোর্ম পীশিল্লকপা য়াগনি হায়রি।

গাইদ লাইন ঃ সরকারনা সেন্ত্রেল সেক্তর স্কিম নামো দ্রোন দিদিগী ওপরেসনেল গাইদ লাইনশিং থোকখ্রে। লৌউ শিংউ অমসুং লৌমীশিং য়াইফ থৌরাং মন্ত্রালয়না লুপা কোতি লিশিং ১,২৬১ কাইথোকপগা লোয়ননা দিন দয়াল অনতোদায়া য়োজনা-নেসনেল রুরেল লাইভলিহুদ মিসনগী মখাদা নুপীশিংগী ওইবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংদা দ্রোন পীবগী সেন্ত্রেল সেক্তর স্কিমবু লৌউ শিংড অমসুং লৌমীশিং য়াইফ থৌরাং মন্ত্রালয়না অয়াবা পীখ্রে। স্কিম অসিগী মখাদা ২০২৪-২৫ দগী ২০২৫-২৬ ফাওবদা খনগৎলবা নুপীগী সেল্ফ

হেল্প গ্রুপ লিশিং ১৪,৫০০ দা দ্রোন পীনবা পান্দম থল্লি। গাইদ লাইনশিং অদুগী মতুংইন্না নামো দ্রোন দিদি স্কিম অসি কেন্দ্রগী থাক্তা রুরেল দিভলপমেন্ট অমসুং ফরটিলাইজরস বিভাগ অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ এগ্রিকলচর এন্দ ফারমরস ৱেলফ্যার বিভাগকী সেক্রেটরিশিংগী ইম্পৱারদ কমিতিনা য়েংশিনগনি।

অমিত ঃ কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ঙসি অহমেদবাদকী পিপলাজদা গুজরাতকী খ্বাইদগী চাউরবা অমোৎ অকায়দগী ইনর্জি পুথোকবা প্লান্ট শঙ্গাখ্রে। প্লান্ট অদু লুপা কোতি ৩৭৫ চংনা পি.পি.পি মোদেলদা শাখিবনি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়- মসি অহমেদবাদকী ইহান হানবা অমোৎ অকায়দগী ইনর্জি পুথোকপগী প্লান্ট অমনি অমসুং মসিনা তুংদা অশং অমান্না থল্লবা লমদম অমা ওইহন্নবগী মাহকৈদা থাংজিনবা মরুওইবা খোঙথাং অমা ওইরগনি। চাংয়েংগী মওংদা পায়খৎপা প্লান্ট অসিনা নোংমদা সোলিদ ৱেষ্ট মেত্রিক টন লিশিং ১ দগী মৈ মেগাৱাট ১৫ পুথোকপা ঙমগনি। মসিনা ৱেষ্ট মেনেজমেন্টকী লমদসু চাউনা খুদোংচাহল্লগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

বোক্সিং ঃ যু.এস.এগী কোলারাদোদা চথরিবা ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নসিপকী চহি ১৯ মখাগী নুপীগী কিলোগ্রাম ৫৪ গী কাংলুপকী ফাইনেলদা হয়েং মণিপুরগী বোক্সর থোকচোম সুপ্রিয়ানা ইংলেন্দগী কেটলিন ৱাইসকা শান্নরগনি।

সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা সুপ্রিয়ানা য়ুক্রেনগী ভোজহেনা মেলনিকবু থোইদুনা ফাইনেল চংলকখিবনি।

কাং(এল)ঃ ৱালিদা-ৱাবগাই কাংশঙদা চথরিবা ৬৬ শুবা সার চুরাচান্দ সিংহ কে.সি.এস.আই-সি.বি.ই. মেমোরিএল লিগ কম নোকআউট ওপন কাং টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ক্লাসা-এনা য়াইস্কুল কাংখুৎপু পাঞ্জল ১৬-৯ থোইখ্রে।

ফুটবোল (এল) ঃ ২৯ শুবা হিরো সেনিয়র ৱিমেন্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর রাজমাতা জিজাবাই ট্রোফিদা শরুক য়ানবা মণিপুরগী সেনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল টিমদা য়াওগদবা প্লেয়ারশিংগী ট্রাইয়েল কম কোচিংদা শরুক য়াগদবা প্লেয়ারশিংনা থা অসিগী ৬ কী অয়ুক পুং ৭ মখায়দা লমলোং থোংখোঙদা লৈবা আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা রিপোর্ট তৌরনবা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না চেরোল অমনা হায়রি।

ফুটবোলঃ নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভরসিতি-ইম্ফালনা শিনদুনা নুমিৎ মঙানি চুপা চথুগদবা নুপীগী ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভরসিতি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসিদগী খুন্মন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা হৌখ্রে।

------